
# হীদাক কান্নরবা পান্বীশিং ঃ খাল

— ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার —
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইনষ্টিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ






হীদাক য়াম্না কান্নবা অদুগা ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদা অদুমক মরাং কায়না হৌবা পান্বীলক্তগী খাল (Khaal) নৎত্রগা লুৱাংখোই হায়রিবা পান্বী অসিসু অমনি। অদুবু মফম খরদদি ভাইতেক্স পেদনকুলারিস (Vitex peduncularis Wall) হায়রিবা উরীকশিবি পান্বী মখল অসিবু লুৱাংখোই হায়না কৌনৈ। খাল পান্বী অসি ইংলিসতা ৱাইত সিরিস (White siris) নৎত্রগা ফোরেষ্ট সিরিস (Forest siris) নৎত্রগা এলবিজিয়া (Albizia), বেঙ্গলিদা কোরোই (Koroi), হিন্দিদা কারাক (Karak) নৎত্রগা কালসিস (Kalsis) নৎত্রগা সফেদ সিরিস (Safed Siris) নৎত্রগা কারাঞ্জি (Karanji), নেপালিদা দুন সিরিস (Dun siris) নৎত্রগা সেতো সিরিস (Seto siris), ম্যান্মারিজদা সিতপেন (Sitpen) নৎত্রগা কোক্কোসিত (Kokkosit), ফিলিপিনোদা আকলেঙ পারাঙ (Akleng parang), ইন্দোনেসিয়ানদা ৱেরু (Weru), জ াভানিজদা ৱেরু (Weru), লাওদা থোন (Thon) নৎত্রগা থোংক্স (Thonx), থাইদা থিংথোন (Thingthon), ভিয়েটনামিজদা মুফঙসান (Moofngxanh), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোতানিকেলগী ওইবা মমিংদা *এলবিজিয়া প্রোসেরা (Albizia procera (Roxb) Benth)* হায়না কৌই অমসুং মাইমোজেসী (Mimosacae) শাগৈগী মনুং চল্লি। শাগৈ অসিদা চনবা অতোপ্পা পান্বী খরদি - খোক পান্বী (Albizia lebbek (Linn) Benth), ইকায়থবী পান্বী (Neptunia oleracea Lour.), লম-ইকায়থবী (Mimosa pudica Linn.), য়োংচাক পান্বী (Parkia roxburghii G.Don) অসিনচিংবনি।

খাল পান্বীগী জেনেরা/জিনস এলবিজিয়া (Albizia) অসি ১৮ শুবা চহী চাদা লৈরম্বা মহৌশাবু পামজবা অমদি নৈনখিবা (নেচরেলিষ্ট) ফিলিপো দেল এলবিজী (Filippo del Albizzi)গী মমিং লৌদুনা থোনখিবনি মদুগী স্পিসিসকী (Species) কী মমিং প্রোসেরা হায়বসিনা লেতিনগী ৱাহৈ প্রোসেরস (Procerus) হায়বগী ৱাহন্থোক য়াম্না ৱাংবা হায়বসিদগী থোনখিবনি মরমদি পান্বী অসি থোইদোক-হেন্দোক্লা ৱাং চাওই।

খাল হায়রিবা পান্বী অসি মনা য়াম্না কেনগনবা (দেসিদুঅস) মিটর ৩০ ফাওবা ৱাংবা উজাও অমনি। উ অসিগী মউ অদু সেন্টিমিটর ৩৫ দগী ৬০ ফাওবা চাওই। লৈ অদু ঙৌরোক ঙৌই অমসুং ইকায়থবী পান্বীগুম্না মতুম তানা শাৎলি। পান্বী অসিগী মহৈ অদু সেন্তিমিটর ১০ দগী ২০ ফাওবা শাংই, সেন্তিমিটর ১.৮ দগী ২.৫ ফাওবা পাকই অমসুং হেক য়েংবদা চিগোংলৈ নৎত্রগা খোক পান্বীগী মহৈ য়াম্না মাল্লি অমসুং মহৈ অমদা মরূ ৬ তগী ১২ ফাওবা পাল্লি।

পাউদমশিংগী মতুং ইন্না খাল পান্বী অসি ইন্দিয়া, চাইনা, কম্বোদিয়া, অষ্ট্রেলিয়া, ব্রুনী, ইন্দোনেসিয়া, লাওস, মালেসিয়া, ম্যান্মার, নেপাল, ফিলিপিন্স, টাইৱান, থাইলেন্দ অমসুং ভিয়েটনামগী মফমশিংদা মহৌশাগী ওইনা হৌজে। খাল পান্বী অসি নোং য়াম্না তাবা অমদি মনা কেনগনবা উমংশিং অমসুং উ-ৱা য়াম্না কুংনা হৌদবা মফমশিংদা নীংথিজনা হৌগলি। নোং য়াম্না তাদবা মফমশিং, খরা শারপ তৌবা সেন্তিগ্রেত ২১ দগী ৩২ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙৈং-অশাদা য়াম্না চুশিন্ননা হৌবা ঙম্মী। ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদদি খাল পান্বী অসি নেমতক তৌবা চীংশিং অমসুং চীংখোং চীংয়াশিংদা মরাং কায়না হৌবা থেংনৈ।

খাল পান্বী অসি মীওইবনা হীরম কয়ামরুমদা শীজিন্নৈ। পাউদমশিংগী মতুং ইন্না ফিলিপিন্সতদি খাল পান্বীগী মনা অসি এঞ্জা থোংদুনা চানবগী মথক্তা পান্বী অসিগী উগী মকু অদু য়াম্না কুপ্না তকখায়রগা শেম্বা মকুপ অদু য়ামগা য়ানশিন্নরগা মখল কয়াগী চান্নবা পোৎলমশিং শাদুনা চাক তাঙবা মতমদা শীজিন্নৈ। খাল পান্বীগী অনৌবা মনা অদু ঈশিংদা ফজনা ফুৎলগা মহী অদু লংথোকখ্রগা মপং অদু য়াম্না পাম্না চানৈ। খাল পান্বীগী মনাদা প্রোতিনগী চাং য়াম্না ৱাংনা চাদা ১৯.৯গী চাংদা য়াওবা মরম্না শজিক অমা ওইনা পাম্না শীজিন্নৈ। অদুবু মনা অসিদা ফাইবর অমসুং লিগনিনগী চাং য়াম্না ৱাংনা য়াওবা মরম্না অতোপ্পা শজীক খরগা য়ানশিন্নদ্রবদি ষণ অদু চাবা তুমদবগী খুদোংচাদবা মায়োক্লবা থোকহনবা য়াই।

পাউদমশিংগী মতুং ইন্না খাল পান্বীগী উ অসিদা ইনর্জি অসি উ কে জি অমদা কিলো-কেলোরি ৪৮৬৫ দগী ৪৮৭০ ফাওবা য়াওই। মসিনা মরম ওইদুনা খাল পান্বীগী উ অসি অফবা শীং অমা ওইনা শীজিন্নবদা য়াম্না খুদোং চাহল্লি। খালগী উ অসিদগী মৈতাল অসি চাদা ৩৯.৬ কী চাংদাদা ফংবা ঙম্বগী পাউদম লৈ। খাল পান্বীগী উ অসি অফবা মখলগী চে শাবদসু পাক শন্না শীজিন্নৈ। খাল পান্বীগী উ অসিগী গ্রেইন (Grain) অসি ময়েক ফজবা থোকপা অমদি ময়ায় ওইরপ্না কনবা অমদি মতম শাংনা চৎপা মরম্না মখল-মখা কয়াগী উগী পোৎথোকশিং মরু ওইনা তেবল, চৌকি, ফমুং-কাংথোল, হি (Boat) শনগাড়ী, লাংগোল মঅসুং য়ুমগী মচাক কয়ামরুম শাবদা পাম্না শীজিন্নৈ। উ অসি শুম (Termite) নসু ইচা চাদে। খাল পান্বীগী উ অসিদা তেনিন হায়রিবা গম মখল অমা য়াওই অমসুং মসিনা মখল মখা কয়াগী পোৎথোকশিং মচু শংবদা শীজিন্নৈ।

খাল পান্বী অসি লৈবাক লৈশা ফজনা ফাজিনবা ঙম্বগী মথক্তা নুংশিত্তা য়াওরিবা নাইট্রোজেন অসি চুপশিন্দুনা লৈবাক লৈহাও ফগৎহনবা ঙম্বা মরম্না চা অমসুং কোফি থাবা মফমশিংদা পাম্না থান্নৈ। মসিনা হায়রিবা পান্বীশিং অদুদা উরুম পীবসু ঙম্মী। পান্বী অসি অঙম্বা চীংদা লৈবাক লৈহাও চেন্থখিদনবা থান্নৈ। নুংশিৎ য়াম্না কন্না শিৎকনবা মফমশিংদা নুংশিৎকী খোংজেল অদু হন্থহনবগীদমক্তসু খাল পান্বী অসি থান্নৈ। খাল পান্বীগী অকেনবা মনাশিং অদু য়াম্না ফবা মখলগী হার শেম্বদসু খুদোং চাই।

য়াম্না পূক্লিং থৌগৎনিংঙাই ওইবা পাউদম অমগী মতুং ইন্না খাল পান্বীগী মসা অয়াম্বদা কেন্সর মখল কয়ামরুম ঙাকথোকপা ঙম্বগী মগুনশিং য়াওই। পাউদম অমগী মতুং ইন্না খাল পান্বীগী মরাদা য়াওরিবা এলফা-স্পিনাসতেরোল (α-spinasterol) অমসুং সেপোনিন অসি স্পর্ম (Sperm) শিং হাৎপা ঙম্মী। অরিবা লায়েং পথাপশিংদা খাল পান্বীগী উগী মকু অদু শুগাইরগা ঈশিংদা তিংদুনা লৌবা মহী অদু পীথক্তুনা রুমেতিজম হায়না খংনবা তাং চাওথোক্তুনা চীকপা-নাবা তৌবা অদুদা লায়েংনবগী পাউদমশিং লৈ। হায়রিবা অশেম্বা মহী অদু পীথক্তুনা পুক নাবা অমসুং মীরোনবী নুপীশিংদা থোকহনবা লায়না মখল খরদসু হীদাক ওইনা শীজিন্নৈ হায়না পাউ অদুদা মখা তারি। উনশা চাথৎপা অমসুং ফুগ্রী মখল খরদা খাল পান্বীগী মনা অদু শুগাইরগা শেম্বা মলম অদুনা চাং নাইনা তৈদুনা লায়েংবা য়াই। খাল পান্বীগী উ অদুগী মকু অদু ঙা শিহনবা ঙম্মী (Fish poison) অমসুং মনা অদু মখল কয়াগী মনা-মশিংদা তাবা তীনশিং হাৎপা ঙম্মী। খাল পান্বীগী মরূ অদুদা য়াওরিবা Proceranin A অসি উচি অমসুং উতিনশিং হাৎপা ঙম্মী হায়বগী পাউদমশিং থেংনৈ। ●

# য়ু অমদি ময়াই কাবা পোৎলমশিং থিংবা

- শমুলাইলাৎপম রিসিকুমার শর্ম্মা -

ঐখোয়না য়ু, গঞ্জা, কানি অমদি হীদাক মনাগী পোৎলমশিং অসিবু ময়াই কাবা চিঞ্জাক হায়রগা খঙনৈ। অদুবু ঐখোয়গী লমদম অসিদদি নুপী, অঙাং অমদি মীপূম খুদিংনা য়াম্না পাক চাউনা উরিবা অসিদি য়ু খক্তনি। য়ু হায়রিবা পোৎশক অসি থায়না ইপা-ইপু অমদি লাই হাক্তক্তগী হরাও কুম্মৈ অমদি থৌদোক ৱাথোক কয়াদা য়াওদুনা লাক্লি। তশেংনা হায়রবদা য়ু অসি তাইবঙ মপু শ্রীকৃষ্ণনা য়াম্না পাম্না থক্লম্বগী ৱারী লৈ হায়নৈ। মতম অদুদা য়ুবু মধুপাল কৌই হায়। মসিগী খুদম হায়ববু মতম খাইদোকপদা চাকচা-য়ুথক হায়না লৈরল্লিবা অসিনি।

ঐখোয় খুদিংমক মমাঙঙৈগী ইপা-ইপুশিং অদুগী মচা-মশু ঙাক্তনি। মরম অসিননি ঐখোয়না ময়াই কাবা চিঞ্জাক্তগী লাপথোকপা ইঙম ঙমদ্রিবসি। অমরোমদা য়ুনা মীওইবদা করিগুম্বা কান্নবা খরদি পীরিব্রা? নহা, অহল অমদি ফুরুপ খুদিংমক্লা য়ুবু অসুক পাম্না থক্লরিবা অসিনা করিগীনো? খুন্নাই অসিগী মীওই অয়াম্বগী তোংশাদা চেল্লিবা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী খোঙজেল অসিসু অঙকপনি। য়ুনা মীওইবগী পুন্সিদা থেংনরিবা অৱা-অনা কয়াগী পোৎলুম (ষ্ট্রেস) শরুক খরদা ওইরবসু হন্থহনবগুম তৌরি অমদি মীয়াই চল্লবা অহল ওইরবশিংনা ইপিটাইজর ওইনা শীজিন্নবগুম তৌই।

পোৎ খুদিংমক মরম চানা, কাঙলোন চুম্না শীজিন্নরগা অফবা ওই। কাঙলোন লান্না শীজিন্নরগনা অমাঙবা ওই। অহল ওইরবা মীওইশিংনা চারমদাইদা নোংমগী য়ু পেক অনী/অহুমদং থক্লবদি ঐখোয়গী ইম্যুন সিষ্টেমদা য়াম্না চাউনা কান্নবা পীদুনা মপাঙ্গল হাপকৎলি অমদি চানীং থক্লীংবা ফাওহল্লি। ঐখোয়না করিগুম্বা অমতং ওইরবসু চাশিল্লবদি মদুগী কান্নবা খজিক্তং ওইরবসু ঐখোয়গী হকচাংনা ফংই। য়ু চাং নাইনা শীজিন্নবনা তমথীরবা লায়না হায়বদি কোরোনরি অমদি কেন্সরদগী ঙাকথোকপা ঙম্বগী পাঙ্গল পীরি হায়নৈ।

কান্নবা মরম কয়া লৈবনা য়ুবু হীদাক হায়নসু কৌনরিবনি। অদুবু লাইবক থীবদি ইনখৎলক্লিবা নহা অমদি তুংগী য়ূম্বীরেলশিংনা য়ুবু কাঙলোন লান্না অমদি মফম মতম নাইদনা শীজিন্নরকপা অসিনি। য়ুবু থিংবদি মীওইবা ফুরুপনা লৈরিবমখৈ ঙল্লরোই। অদুনা মীয়ামদা য়ুবু করম্না শীজিন্নগদগে হায়বা নিংথিজনা খঙহনবা অমা মথৌ তাই।

কা হেন্না নৎত্রগা কাঙলোন লান্না থকপশিংবু চৈরাক পীবা অমদি মতিক চানা ফাইন লৌবা করিসু কায়দে নৎত্রবদি মীওইবা খুন্নাই অসি ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী খয়াৎতা তাখিবা য়াই। মণিপুর দ্রাই ষ্টেটনি, য়ু থিংদবা মফম লৈতে, ফংদবা মফমসু লৈতে। চহী খুদিংগী লাইগী নামাদা পাঙথোক্লিবা থৌরম কয়াদা ময়াই কাবা চিঞ্জাক কৎলি অমদি য়াওরি। লাইগী মীংদা নুপী অঙাং খাক্তনা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্তু শীজিন্নবদা অথিংবা লৈত্রি। মসিনা ময়াই কাবা চিঞ্জাক শীজিন্নবা তম্বীবগী চাউরবা লম্বী অমনি। মসিদা ঐখোয়না মুন্না খন্থরুবা তৌনদে। মসি য়ূমগী অহল ওইবশিংনা কূপ্না য়েংশিনবগী তঙাইফদবা লৈ হায়জনীংই।

য়ুদগী হেন্না তমথীরবা ময়াই কাবা চিঞ্জাক কয়া অমসু ঐখোয়না খঙনা অমসুং খঙদনা লৈরি। অমরোমদা য়াম্না কিনিংঙাই ওইবা অফোংবা ময়াই কাবা চিঞ্জাক মখল অমনা লৈশাবী, মৌ নহা খাক্তনা নুপী অয়াম্বনা মঙোন্দগী লাপথোকপা ইঙম ঙমদবগী মওংদা অয়ূক্তা ক্বা জর্দা মতপ অমত্তং হেক চাহৌদবদা নুপী অয়াম্বনা থবক তৌবদা মঙম শান্দে। কোল-লিক ফেংবদা কয়া ৱারিবা? হায়না হেক হেক হায়নরি। অয়ূক য়াহৌরগা মৌ নহা অয়াম্বনা কা জর্দা মতপ অমা হেক চাদ্রিবমখৈ কোল ফেংদে, ৱাই তৈদে, জর্দা মতপ অমা হেক চাশিল্লগা নে-তানা থবক হৌই।

খন্থরুবা তৌদনা ক্বা মতপ অমনা মখোয়দা কয়াগী মতিক কান্নবা পীরিবা অমদি কয়াদা ইনর্জি পীরিবা হায়না খঞ্জবসু কোঙ্গাইনি। নুপীশিংনা খঙজিনবীগদবদি মদুনি এদিক্ট-এদিক্ট হায়রিবদু। থবক ইনখাং শূ-নোম্বদা মঙম শাননবা অয়ূক অঙনবদগী একাউন্ট হাংবা হৌরবনিনা নোংমদা মখোয়না লৌখৎলমগদবা ক্বা জর্দা মতপ কয়ানো? অশেংবা জর্দানা হকচাং শোকহনবা খরা হন্থজরবসু শেংদবা জর্দানা কেমিকেল কয়া শীজিন্নদুনা শেম্লকপনা অমুক্কা হেন্না খুদোং থীনিংঙাই ওই। হৌজিক ময়াম্না পাক শন্না চানরিবা জর্দা অসিদি শেংদবনা অয়াম্বনি। জর্দাদা য়াওরিবা নিকোটিন কৌবা কেমিকেল অসি নুপীশিংদা অমুক্কা হেন্না শোকহল্লি হায়বসি পূম্নমক্লা খঙনরবা ৱাফমনি। থক্লি-চারিবা ময়াই কাবা চিঞ্জাক খুদিংমক খুদক্তা খঙদ্রবসু লেম্নদি খক মাঙলোই, পূম্নমক নোংমদি শোয়দনা মাগী-মাগী ফংফম থোকপা কর্ম্মগী ফলশিংদু অমত্তা চিগ্থদনা শোয়দনা ফংগনি, মতম অদুরা ঐখোয়না ঙাইরিবসে?

অচৌবা করবারৱালাশিংনা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী পোৎলমশিংবু মতিক-ময়াই লৈবা গাড়ীশিংদা পুথোক-পুশিন তৌদুনা মফম খুদিংদা য়ৌহল্লি। ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী পোৎলমশিং থিংবসু লেপ্তে, পুশিল্লকপসু লেপ্তে, ফাবসু লেপ্তে। হৌজিক্কী মতমদা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী পোৎলমশিং ফাবনা পাউচেগী নুংতিগী পাউ ওইরি। মরম অদুনা য়ূম য়ূমগী মপি-মপা ওইবশিংনা ইমুং-মনুংগী ইচাশিংবু নুমিৎ খুদিংগী কূপ্না য়েংশিনবগী তঙাইফদবা লৈরে হায়জনীংই।

য়ু থিংলবসু থকপা থিংবদি ঙল্লরোই। থিংখ্রে হায়দুনা লৈকায় লৈকায়দা য়ু থকপা মীনা য়ু থকপা তোকখিবা অমতং পুথোকপা ঙম্বীবরা? নুমিদাংৱাইরম হেক ওইরকপগা মফম মফমদা, লৈকায় লৈকায়দা ঙসিদি কমদৌবা হায়বা অসিনা মাঙ থারগা ঙম্না ঙম্নবা থক্লবা ঙাক্তনি। পামজবা অমসুং হৈনবী হায়বসি মীপূম খুদিংমক্তা লৈ। মখল মান্নদবগী ৱাতনি। পামজবীদা হেনজিন্না চুশিন্নখিবা অদুবু এদিক্ট কৌখিবগী ৱানি। মসিদগী হেন্না তমথীরবা মীওইবগী পুন্সিবু লায়না মাঙহনবা ঙম্বা য়াম্না কিনিংঙাই ওইরবা ময়াই কাবা চিঞ্জাক মখল ময়াম অমসু লৈরি। মমিং ওইনা পল্লবদা হেরোইন নম্বর ফোর, এস পি কেপসুল, এন তেন, দেনদ্রাইট, ইঙ্ক রিমুভর, মোস্কাই টোমেট টেব্লেট অসিগী মথক্তা খ্বাইদগী শাথীবা য়াম্না কিনীংঙাই ওইরবা দল্লিয়ু ৱাই (ৱর্ল্ড ইজ য়োরস) কৌবা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী নিংথৌরেল অমনা হৌজিক অচৌবা মফম কল্লক্লিবা অসিনি।

অমরোমদা, অথিংবা থল্লিবা য়ু অসি দিপার্টমেন্ট খরদা থা খুদিংগী ইস্যু তৌরি অমদি মীয়ামদা টেক্স থিহন্দুনা য়োলহল্লি। অদুগা অমুকসু ফানীংবা মতমদা ফা-ফাদুনা ঙমজবা মওংদা ধপ তৌ তৌদুনা শেল চাউনা চাউনা লৌরি। মৈরা পায়বী ইমা ইবেলশিংনা য়ু য়োনবা নুপাদু মঙক্তা লিক্লি নৎত্রগা য়ু চেরং য়ান্দুনা মীয়াম মমাঙদা হোই হোইদুনা চৎলি, নুপীশিংনা মচিন্দা ক্বা জর্দা উমদুনা নৎত্রগা শাই-শাইদুনা ইন্নৈ। খাকি শেৎপশিংনসু য়ু ভেন্দরশিংদা চং চংদুনা মনীং তম্না কিহন-খংহন্দুনা মখোয় মখোয়না অপাম্বা শেল লৌরি। য়ু য়োনবশিংনা পুলিসকী পীবা ঙম্নবা অকি-অখং থাদোক্লগা ইম্ফালগী ময়োন অকোয়বদা পাক শন্না কন্না য়োল্লি।

সেকমাই, অন্দ্রো, ফয়েং, লৈত্রাম, খুরখুল, ককচীং, পুখাও অমদি কবুইগী য়ূমথোং ৭০/৮০দা কন্না য়ু শুংলি। মীওইবা হায়বসি ময়াম পুল্লগা নুংঙাইথোকপা, লাংথোকপা পামজবা কাঙলূপ অমনি। মতাং অসিদনি য়ুনা চাউরবা ফিদা অমা ওইরিবা অমদি মফম কল্লিবা। মতমগী মমল অদুক হাক্লা খন্থরুবা তৌদনা শাংলবা মতম কয়া থক-চাদুনা নুংঙাইথোকপনা পুন্সিদা অসুক্কী মতিক অহোবা লৈরক্লে।

মীশিংনা নোংমা নোংমগী হেনগৎলকপনা শূফম-নোম্ফম হন্থরকপা মতম অসিদা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী খোঙজেলনা পুখিদুনা খুন্নাই অসিবু য়োৎশিন্নবা হোৎনরি। মরম অসিনা মখল কয়াগী ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী পোৎলমশিংনা খুন্নাই অসিদা মাঙহন্নবা হোৎনরক্লিবা অসিমদি অঙম্বা থৌনা পাঙ্গল পুথোক্তুনা ময়াম চংদুনা অমত্তা ওইনা থিংনবা হোৎনফম থোকই। য়াম্না নুংঙাইবা অমনা হন্দক মণিপুর পুলিসকী এন এ বি (নার্কোটিক এন্দ এফ্যেরস ওফ বোর্দর) অমসুং থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী পুলিসকী অপূনবা খূৎপু অমা শাগৎলগা দ্রগ শুংফম কয়া থুগাইখিবা অমদি ফাগৎখিবদু হায়নীংঙাই লৈতনা নুংঙাইবা অমদি থাগৎপা ফোঙদোকচরি। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০৭

১। মণিপুরগী পুৱারীদা ইন্দিয়াদা তিল্লবসু খুন্নাই অসিগী কলচরেল মকোক্তি ইনিংথৌনা অদুম ওইরি। হৌজিক ইনিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা ওইরি। মহাক মহারাজ বুধচন্দ্রগী মশুশিংনি।
(ক) মহারাজ বুধচন্দ্র শোক কয়াদা থূপখিবগে?
(খ) ইনিংথৌ লৈশেম্বগী রানিগী মমিং করি কৌবগে?

২। "পৃথিবী অসে অকনবগীনি/মসিদা অশোনবগী মফম লৈতে।" ৱাফমসি রা: কু: সুরেন্দ্রজিৎনা হায়রম্বনি। অইবা অসিনা পুথোক্লম্বা চেফোঙ অদুগী মমিং করি কৌবগে?

৩। "নঙদি থৌগন্নবগী মশকনি/ইকায়খুম্নবৈ লৈ পরেং হুক্লফমনি।" পরেং অনী অসিনা কবি নহা ৱাংথোই খুমন্না নুপীবু থাঙ্গৎতুনা ইরিবনি। শৈরেং অদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। "নঙগী নফমদা ইনৌতা নৌই ঐ/অদুনা/নঙগী মুর্ত্তি লিশীং-লিশীং/শাবা তাই/...কিন্থখিবা খুদিং।" পরেংশিং অসিনা 'অহাংবা কা অমসুং চিঠি' কৌবা শৈরেং লাইরিক অদুগী 'আশা' কৌবা শৈরেংদগী লৌথোকপনি। নহা অইবীদু কনানো?

৫। "ঈপাক্তা মঙায়রে, হিনাউদি লৈতরে/ঙল্লরোই ঐদি নতুং ইনবসু/চৎলোকো চান্নবী পন্থুংদু তম্না।" পরেংশিং অসিনা 'ঐ ঈশৈ শৈরেং' কৌবা ঈশৈ শৈরেং লাইরিক অদুদগী লৌথোকপনি। অইবদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## মরোল থোকপা লাই




পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।